# প্রসিদেন্ট প্রনাব, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মহাত্মা গান্ধীগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবগী ৬৯ শুবা কুমওন থৌরমদা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

মুখর্জী, ভাইস প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারি অমসুং মোদিনা গান্ধীগী নীংশিং খূভম লৈরিবা রাজঘাটতা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমদি য়ুনিয়ন অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর ভেনকায়া নাইদুসু রাজঘাটতা লাক্কুনা মহাত্মা গান্ধীগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

নীংশিং কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপকী লাইশোল ঈশৈ শকখি। লৈবাক অসিগী মপানি হায়না লৌনরিবা মহাত্মা গান্ধীগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখিবা মীওইশিংগী মনুংদা বি জে পিগী লুচিংবা এল কে অদভানি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাও ইন্দরজিৎ সিংহ, এদমিরেল সুনিল লম্বা, এয়র চীফ মার্শল বি এস ধানোৱা অমদি জেনরেল বিপিন রাৱট য়াওখি।

রাজঘাটতা মহাত্মা গান্ধীবু ইকায় খুম্নবা উৎতুনা গন সেল্যুট পীখিবগা লোয়ননা লাইশোল ঈশৈ শকখি। স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমসুং মীওই কয়ানসু মহাত্মাগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা অয়ুক পুং ১১ তাবদা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপখি।

মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবগী ৬৯ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খি, গান্ধীজিনা পাল্লম্বা মতুং ইন্না লৈবাক অসিবু মাঙ তাকহন্নবা হোৎনবা মীওইশিংগী মায়োক্তা লেপ্পবা ফিরেপ লৌরে।

কুমজা ১৯৪৮গী নুমিৎ অসিমক্তদা মোহন্দাস করমচান্দ গান্ধীবু নাথুরাম গোদসে কৌবা হিন্দু নেসনেলিষ্ট অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। কুমজা ১৮৬৯গী ওক্টোবর ২ দা গুজরাটকী পোরবন্দরদা পোকখিবা গান্ধীনা ননভাইওলেন্টকী ফিলোসোফি মালেমদা শন্দোক্লমখি। মখল অমত্তগী খুৎলাই পায়দনা অমসুং হাৎন-শুনবগী ৱাখল্লোন চেন্দনা খোঙজং চঙশিনগদবনি হায়বা গান্ধীগী পান্দম পামজবা মীওই মশীং থীঙমদনা থোক্লকখি। ন্যু দিল্লিগী রাজঘাটতা লৈবা মহাত্মা গান্ধীগী নীংশিং খূভমদা মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোকখিবা তারবসু লৈবাক অসিগী কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কুনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

চৈরকসিদা, রাহুল গান্ধীনা মহাত্মা গান্ধীগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগা মরী লৈননা মহারাষ্ট্রগী কোর্ট অমদা রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)না থাঙ্গৎলকখিবা দিফেমেসন কেস অমা মার্চ ৩ দা হিয়ারিং চথগদৌরি।

রাহুল গান্ধীবু মহারাষ্ট্রগী ভিৱান্দি কোর্টনা মমাঙ চহীগী নবেম্বরদা পার্সনেল স্যুরিটিদা বেল পীবা লৈখ্রবনি। লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৪গী মার্চ ৬ তা রাহুল গান্ধীনা ভিৱান্দিদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগা মরী লৈননা আর এস এসকী রাজেশ কুন্তে কৌবা মীওই অমনা রাহুলগী মথক্তা দিফেমেসন কেস ফাইল তৌরকখিবনি।

মীখলগী থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা রাহুলনা মহাত্মা গান্ধীবু আর এস এসকী মীওইনা হাৎখিবনি হায়না মরাল শীখি। মমাঙদা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি মদুদি, সুপ্রিম কোর্টনা ভিৱান্দিগী কোর্টতা চথরিবা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংদা খুৎ থিংজিল্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ট্রাইএল মায়োক্কনবা চপ চানা থৌরাং তৌদুনা লৈরে।

নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাত্মা গান্ধীনা রামগী মফমদা চেৎনা থাজবা থম্মগা লোয়ননা অৱা-নুংঙাই অনীমক্তা রামগী মিংশোল শোন্দুনা লাকখি। কুমজা ১৯৪৮ গী জান্যুৱারী ৩০ দা নাথুরাম গোদসেনা গান্ধীগী থবাক্তা নোংমৈ মরূ অহুম কাপশিল্লকপা মতমদসু মহাক্না 'হে রাম' হায়না শোল্লল্লগা তাইবংপান থাদোকখি।



# দিফেমেসন কেসকী মতাংদা কেজ্রিৱাল, অজাদপু কোর্টতা মশা লাক্কবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): দিল্লি এন্দ দিষ্ট্রিক্ট কৃকেট এসোসিএসন (দি দি সী এ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট চেতন চৌহাননা ফাইল তৌরকখিবা দিফেমেসন কেস অমগা মরী লৈননা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমদি তান্থোকখ্রবা বি জে পিগী পার্লিয়ামেন্টরিয়ন কির্তি অজাদপু কোর্টতা কৌখ্রে।

মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট অভিলাস মলহোত্রানা সমোন থাদুনা কেজ্রিৱাল অমদি অজাদপু ফেব্রুৱারী ১৮ দা শোয়দনা কোর্টতা লাক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

দি দি সী এগী ভাইস প্রসিদেন্ট চেতন চৌহাননা এদভোকেট শঙ্গ্রাম পাটনাইককী খুত্থাংদা ফাইল তৌরকখিবা দিফেমেসন কেস অমগী মতুংইন্না কেজ্রিৱাল অমদি অজাদনা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা কৃকেট এসোসিএসনবু মিংচৎ থীহন্নবা হোৎনখি হায়রি।

অমরোমদা, ইলেক্সন কম্মিসনগী য়াথং মতুংইন্না ওঠোরিটিশিংনা চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখ্রে। ভোটর খুদিংমক্না অতৈ অতোপ্পা পার্টিশিংদগী শেল লৌথোক্লুগা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)দা ভোট পীগদবনি হায়না ফোঙদোক্লুবগীদমক কেজ্রিৱালগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখিবনি।

গোৱাগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর কুনালনা হায়খি, ইন্দিয়ন পেনাল কোদ অমদি রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্টকী মখাদা এফ আই আর অমা কেজ্রিৱালগী মথক্তা ফাইল তৌখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা পীরকপা য়াথং ঙাকপা ওইনা মাপুসা পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর ফাইল তৌখিবনি।

দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা ইলেক্সন কম্মিসননা মহাক্কী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

জান্যুৱারী ৮ অমদি মসিগী মতুং তারকপদা মহাক্না গোৱাদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম খরগীদমক এফ আই আর ফাইল তৌবগা লোয়ননা মথৌ তাবা লিগেল এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলে হায়বগী রিপোর্ট অদু জান্যুৱারী ৩১ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মমাঙদা কম্মিসনদা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়না পাউতাক পীখ্রে।

জান্যুৱারী ৮ দা নোর্থ গোৱাগী বারদেজ টালুক মনুং চন্না লৈবা মাপুসাদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী পেরা ১(৪) থুগায়দুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। মতুং তারকপদা অমুক হন্না মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী মায়োক্তা লৈবা থৌওং চথুবা য়ারোই হায়নসু ইলেক্সন কম্মিসননা কেজ্রিৱালদা খঙহনখি। অদুবু কেজ্রিৱালনা কম্মিসনগী ৱাফম অদুবু থৌশাদবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, কোর্টতা ইলেক্সন কম্মিসনগা শীংননবা থৌরাং তৌরে।

অতোপ্পা পার্টিদগী শেল লৌথোক্লুথগা এ এ পিদা ভোট থাদগদবনি হায়বা কেজ্রিৱালগী ৱাফম অদুগী মায়োক্তা বি জে পিনা ইলেক্সন কম্মিসনদা কমপ্লেন্ট তৌখিবগা লোয়ননা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ঙাক্না চৎতবগীদমক মহাক্কী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না তকশিনখি।

চৈরকসিদা, ইলেক্সন কম্মিসননা মীরেপ ওইগদবা মীওই খুদিংমক করেন্ট একাউন্ট হাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না করেন্ট একাউন্টতগী অথিংবা লৈতনা অপান্বা মওংদা শেল লৌথোকপা য়ারগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসননা মীরেপ খুদিংমক করেন্ট একাউন্ট অমমম্ শোয়দনা হাংদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।



# ওপোজিসন পার্টিশিংনা বজেট মীফম পাঙথোকপগী মতম চাদে হায়না ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): গভর্ণমেন্টনা কৌদুনা পাঙথোকখিবা ওল পার্টি মীটিংদা ওপোজিসন লীদরশিংনা ফেব্রুৱারী ১ দা য়ুনিয়ন বজেট পুথোকপগী মতম চাদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসন পার্টিশিংনা হায়খি মদুদি, ষ্টেট মঙাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সন নকশিল্লকপা মরম্না ফেব্রুৱারী ১ দা য়ুনিয়ন বজেট পুথোকপগী ৱাফম য়ানিংদে। বেজেট পুথোক্ত্রিঙৈদা দিমোনেটাইজেসন অমসুং ইন্টর্নেল সিক্যুরিটিগী মতাংদা মপুং ফানা দিবেট তৌবা মথৌ তাই হায়নসু ওপোজিসন পার্টিশিংনা ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স মিনিষ্টর অনন্ত কুমারনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পার্টিগী খেন্নবা থাদোক্লুগা এম পি খুদিংমক্না য়ুনিয়ন বজেট পুথোকপগী থৌরাং মায় পাকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ওল পার্টি মীটিংদা ফোঙদোকখি। অদুবু হন্দক পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমদা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা মপুং ফানা দিবেট তৌবা ঙমখিদবা অমসুং ষ্টেট ৫ দা এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা লৈবনা ফেব্রুৱারী ১ দা য়ুনিয়ন বজেট পুথোকপা মতম চাদে হায়না ফোঙদোকখি।

তৃণমূল কোংগ্রেস অমসুং নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স (এন দি এ)গী মপাং ওইরিবা শিব সেনানা বজেট পুথোকপগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ওল পার্টি মীটিংদা শরুক য়াখিদে।

মীফমদা শরুক য়াখিবা সী পি আই (এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরিনা হায়খি, ষ্টেট মঙাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী ৱাফমনা তোঙান্না থমখ্রবসু লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা শেল-থুমগী ফীভম য়েংলগা বজেট পুথোক্ত্রিঙৈদা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা মপুং ফানা খন্নবা মথৌ তাই।

কোংগ্রেসকী চীফ হ্বিপ জ্যোটিরাদিত্য সিন্ধিয়ানা হায়খি, নুমিৎ ৯ নি পাঙথোক্কদৌরিবা বজেট মীফমদা মপুং ফানা মীফম পাঙথোক্লবগী মতম শুপ্পগী নুমিৎ ৫ খক ফংই। হায়রিবা মতম অদুদা প্রসিদেন্টনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা পীবা ৱাফমগী মোসন পুখৎপা অমসুং য়ুনিয়ন বজেটকী মতাংদা খন্নবা নংলোই। বজেট পাস তৌদ্রিঙৈদা তঙাইফদনা দিমোনেটাইজেসন, পাকিস্থাননা সিজ ফায়র থুগায়দুনা ঙমখৈদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী ৱাফম অমসুং রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াবু মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহন্দবগী মতাংদা কুপ্না খন্নবা মথৌ তাই।

# সুপ্রিম কোর্টনা অসারাম বাপুদা বেল পীবগী ৱাফম য়াখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): মশানা মশাবু খোইয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা অসারাম বাপুনা মেদিকেল গ্রাউন্দদা বেল পীবীনবা হায়জরকপদা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

সেক্স্যুএল এসোল্ট কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা অসারামনা হকচাংগী ফীভম য়েংলগা বেল পীবীনবা হায়জরকখি। অদুবু কোর্টনা ৱাফম অদু মরম চাদে হায়না অয়াবা পীখিদে।

নুপীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনখি হায়না মরাল শীরিবা অসারামনা মমাঙদা তোঙান-তোঙানবা টেষ্ট কয়া চথবগী ৱাফম য়াখিদে। জষ্টিশ এ কে সিক্রি অমসুং জষ্টিশ এন ভি রামনাগী বেঞ্চতা মেম্বর ৭ না শাবা মেদিকেল বোর্দকী রিপোর্ট পীশিল্লকখি। রিপোর্ট অদু য়েংলবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা অসারামদা বেল পীবগী ৱাফম অয়াবা পীখিদবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট ১১ দা সুপ্রিম কোর্টনা রেপ কেস অমগা মরী লৈননা অসারামদা ইন্টরিম বেল পীবগী ৱাফম অয়াবা পীখিদে। মদুগী মহুৎতা মেদিকেল বোর্দ অমা শেমদুনা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম য়েংশিন্নবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা খঙহনখি।

রাজস্থান হায় কোর্টনসু অসারামদা বেল পীবগী ৱাফম অয়াবা পীখিদ্রবনি। রেপকা মরী লৈননা চথুরকপা কেসকী অরোইবা তাঙ্কক য়ৌশিল্লকপা মরম্না বেল পীবা মতম চাদে হায়না রাজস্থান হায় কোর্টনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৩ দা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমনা মহাকপু যোদ্ধপুরদা লৈবা অসারামগী আশ্রমদা অসারাম মশামক্না নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি হায়না মরাল শীখি। ৱাফম অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মশানা মশাবু খোইয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা মীশক অদু কুমজা ২০১৩গী ওগষ্ট ১৩ দা পুলিসনা ফারগা জেলদা থমখি।

মতমদুদগী হৌনা হৌজিক ফাওবা জেলদা লৈরক্লিবা অসারামগী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপা মরম্না মহাকপু বেল পীবীয়ু হায়না মহাক্কী উকিলনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখি। অদুবু কোর্টনা অয়াবা পীখিদে।

অমরোমদা, সুপ্রিম কোর্টনা অসারামগী মথক্তা নৌনা এফ আই আর ফাইল তৌনবা খঙহনখ্রে।

হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লক্লে হায়না শাশিন্নবা চে-চাং কয়ামরুম কোর্টতা পীখৎলকখিবগীদমক অসারামগী মথক্তা নৌনা এফ আই আর ফাইল তৌবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১ ফাইন ওইনা লৌগদবনি হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখি।

চথুরিবা কেস অসিগী মতাংদা গুজরাট গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়খি মদুদি, থা ৬কী মনুংদা হিয়ারিং চথদুনা কোর্টকী ৱায়েল লাউথোরক্কদবা লৈবনা মতাং অসিদা অসারামবু বেলদা থাদোকপা মতম চাদে।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা উন নীংখায়রক্কুনা ননশিনখিবদগী কনখিবা লান্মী ৫ শিরে



শ্রীনগর, জান্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): মমাঙ চয়োলদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা উন নীংখায়রকপদগী ননশিনখিবদা ইন্দিয়ন আর্মিগী লান্মী ৫ হিংনা কনবা ঙমখ্রবা মতুংদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়না দিফেন্সকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

জান্যুৱারী ২৮ দা লান্মী ৫ কুপৱারাগী মচিল সেক্টরদা উন নীংখায়রক্কুনা ননশিনখিবনি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা লান্মী ৫ কনখিবগা লোয়ননা শ্রীনগরদা পুরক্কুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নখি। অদুবু লান্মী ৫ মক লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি হায়না দিফেন্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মফম অয়াম্বদা ঙসি কা হেনবা মওংদা লৈচিল-নোংফাই থাংখিবা মরম্না গুরেজ অমদি মচিল সেক্টরদা হেলিকোপ্টর পাইশিনবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক নক্না লৈবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী আর্মি পোষ্ট অমদা উন নীংখায়রকপদা লান্মী ৫ ফুমজিনখিবনি।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী মচিল সেক্টরদা লৈবা আর্মি পোষ্টতা উন নীংখায়রকপদা লান্মী ৫ উননা ননশিনখি। মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলিবা মীওইশিংনা রাষ্ট্রিয়া রাইফল্সকী লান্মী ৩ কনবা ঙল্লে। অদুবু অতোপ্পা লান্মী ২ দি হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি। অকোনবদা লান্মী ৫ মক হিংনা কনবা ঙল্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চথুরিবা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনদা শরুক য়াবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী লান্মীশিং মচিল সেক্টরদা কেম্প হাংদোক্কুনা লৈবনি। ইখঙ খঙহৌদনা উন নীংখায়রকপদগী কেম্প অদু উননা ননশিনখিবদা লান্মী ৫ য়াওখি।

কাশ্মীর তম্পাক্কী গুরেজ অমসুং সোনমার্গ সেক্টরদা উন নীংখায়রকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই পূন্না ২০ শুখ্রবনি। গুরেজদা ইকোন কোনবা ওইনা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ৪ ফংবা ঙমখি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই ২০গী মনুংদা ৫ দি মীচমনি হায়রি। হৌজিক ফাওবদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা গুরেজ সেক্টরদগী লান্মী ১১গী অশিবা হকচাং ফংবা লৈখ্রে।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, গুরেজ সেক্টরদা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলিবা কাঙবুনা থৱায় য়াওদ্রবা লান্মী ৪গী হকচাং ফংবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা শিখিবা লান্মী পূন্না ১৪ শুরে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উন নীংখায়রকপগী থৌদোক অনী গুরেজ সেক্টরদা থোকখি। থৌদোক অদুদা লান্মী কয়ামরুম উননা ননশিন্দুনা লৈখি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা লান্মী ৭ হিংনা কনবা ঙমখি। অদুবু লান্মী ১০গী অশিবা হকচাং থেংনখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী কাশ্মীরদা নৌনা উন তারকখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা উন নীংখায়বগী থৌদোক থোকখিবদা লান্মী ১৪ য়াওনা মীওই ২০ হেন্না শিবা লৈখ্রে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# হিতেন্দ্র নাথ গোস্বামিবু অসাম এসেমব্লিগী স্পিকর খনখ্রে



গুৱাহাটি, জান্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী এম এল এ হিতেন্দ্র নাথ গোস্বামিবু ঙসি অসাম এসেমব্লিগী স্পিকর ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে।

অসাম এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর দিলিপ কুমার পোলনা হায়খি, হাউসনা মোত অমত্তা ওইনা হিতেন্দ্র নাথ গোস্বামিবু স্পিকর খল্লে হায়না লাউথোক্লে।

মমাঙ থাদা হান্নগী স্পিকর রঞ্জিৎ কুমার দাসনা ফম থাদোকখিবগা লোয়ননা বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইখিবা মরম্না স্পিকর ফম হাঙদুনা লৈরকখিবনি।

ঙসি হাউসনা স্পিকর খনবগী থৌরাং লৌখৎপদা গোস্বামিবু এম এল এ ৭ না নোমিনেট তৌরকখি।

হাউসনা মহাকপু মোত অমত্তা ওইনা স্পিকর খল্লবা মতুংদা গোস্বামিনা হায়খি মদুদি, দেমোক্রেসিগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক মীচং মীখায় নাইদবা মওংদা লৌখৎফম থোকপা থৌদাং লৌখৎনবা শেম শারে। হাউসকী মীফম চথরিঙৈদা তোঙান-তোঙানবা পার্টিগী এম এল এশিং মোত মান্নরক্তবা মতমদা মীফম য়ৈথোকপগী মহুৎতা নাকল অনী য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনদুনা কন্সট্রক্টিব ওইবা মওংদা মখা তানা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকহন্নবা হোৎনগনি।

অসোম গন্ন পরিষদ (এ জি পি)গী এম এল এ ওইরম্বা গোস্বামিনা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা পার্টি থাদোক্তুনা বি জে পিদা য়াওরকখিবনি। এ জি পিদা লৈরিঙৈদা মহাক্না জোরহাট এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্তুনা চীফ মিনিষ্টর প্রফুল্লো কুমার মাহন্তগী গভণমেন্টতা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্মী।

# সমাজৱাদি-কোংগ্রেস এল্লাইন্স শেমখ্রবসু বি জে পিদা অকায়বা থোকহনবা ঙল্লোই : কেসব প্রসাদ মোরিয়া

ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): সমাজৱাদি পার্টিনা কোংগ্রেসকা এল্লাইন্স শেমখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী বি জে পি লুচিংবা কেসব প্রসাদ মোরিয়ানা হায়খ্রে মদুদি, পার্টি অনী খুৎশম্নখিবা তারবসু বি জে পিদা থোইদোক্না অকায়বা থোকহনবা ঙল্লোই।

চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ যাদবপু শীধরদুনা মোরিয়ানা হায়খি, অপোকপা মপাগী য়াথং ঙাকপা ঙমদবা মীশক অমনা লৈবাক্কী অফবা থবক তৌরক্কনি হায়বা থাজফম থোক্তে। মতম খরগী মমাঙদা সমাজৱাদি পার্টিনা কোংগ্রেসকা খুৎশম্নরগা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন থেংনরগনি হায়না লাউথোকখিবা তারবসু থৌওং অদুনা বি জে পিদা ফীভম শোকহনবা ঙল্লোই।

রাহুল গান্ধী অমসুং অখিলেশ যাদবনা উত্তর প্রদেশতা মীখলগা মরী লৈননা মেগা রোদ শো অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা বি জে পিনা হায়খি মদুদি, উত্তর প্রদেশকী মীয়াম্না সমাজৱাদি পার্টিবু শেঞ্জা-থুমজা তৌবগীদমক মাঙজৌননা রিজেক্ট তৌখিবা মরম্না হন্দক পার্টি অসিনা কোংগ্রেসকা খুৎশম্নদুনা মখল কয়াগী কেম্পেয়ন চথুরকপা তারবসু থোইদোক্না কান্নবা ফংলোই।

বি জে পিগী লুচিংবা মুখটার অবাজ নকবিনা পাউমীশিংদা হায়খি, কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী এল্লাইন্সনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা পার্টিবু অথিংবা পীনবা হোৎনরি। বি জে পিনদি অতোপ্পা পার্টি অমত্তগী থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিনবগী ৱাফম লৈতে। অদুমওইনমক শেঞ্জা-থুমজাগী থৌওং পুম্নমক অথিংবা পীনবা কন্না হোৎনরি।

অমরোমদা, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা হায়খ্রে মদুদি, উত্তর প্রদেশতা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলবু দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা পাঙথোকপা রেফরেন্দমনি হায়না লৌবদা থোইদোক্না অকায়বা লৈতে। শেঞ্জা-থুমজা অমসুং ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা শেনয়েক অনী থিংখিবনি। মীয়াম্না করিগুম্বা শেনয়েক থিংখিবগী থৌওং অদু য়ানিংলবদি হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, লাক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন মাঙওইননা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং কোংগ্রেসনা এল্লাইন্স শেম্বগী ৱাফম য়ানবা পুরকখ্রবনি।

পাউগী মীফম অমদা কোংগ্রেসকী রাজ বাব্বর সমাজৱাদি পার্টিগী কিরন মোইনন্দ অমদি নরেশ উত্তমনা হায়খি, সমাজৱাদি পার্টিনা সীট ২৯৮ দা অমসুং কোংগ্রেসনা সীট ১০৫ দা মীরেপ থাদোক্লগনি। সমাজৱাদি পার্টি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট উত্তমনা হায়খি মদুদি, হীরম কয়াদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা কোংগ্রেস অমদি এস পিনা মীখলদা পূন্না চৎমিন্ননবা ৱাফম য়ানবা পুরকখিবনি।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী লুচিংবা রাজ বাব্বরনা হায়খি মদুদি, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা সমাজৱাদি পার্টিগা খুৎশম্নদুনা উত্তর প্রদেশ চাউখৎহনবগা লোয়ননা লায়রবা মীওইশিং অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরগনি। চয়োল অমগী মনুংদা কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম অমা শেম্নবা থৌরাং তৌরি।

পাউগী মীফম অমদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা গুলাম নবি অজাদনা হায়খি, মীখলদা মায় পাকপদগীদি কাঙলূপ নাইবা পার্টিবু মায়থীবা পীবনা হেন্না মরু ওই। ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা কোংগ্রেসনা সমাজৱাদি পার্টিগা এল্লাইন্স শেমখিবনি।

নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙদগী কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবশিংনা মীখলদা পূন্না মীরেপ থাদোকপগী মতাংদা ৱারী শানদুনা লাকখিবনি। চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ যাদবনা অহানবদা সীট ১০০ কোংগ্রেসতা পীবগী ৱাফম ফোঙদোকখি। অদুবু কোংগ্রেসনদি য়ামদ্রবদা সীট ১২০ পীগদবনি হায়না তকশিনখি।

হৌজিক-হৌজিক সমাজৱাদি পার্টিগী সীটিং এম এল এ ২৩৪ লৈরিবা মরম্না য়ামদ্রবদা পার্টি অসিগী মীরেপ ৩০০ থাগৎপা মথৌ তাই হায়না অখিলেশ যাদবনা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা সমাজৱাদি পার্টিনা সীট ৩০০ দা মীরেপ থাগৎকদবা লৈরবদি এল্লাইন্স শেম্বগী ৱাফম ওইথোক্লোই হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগী মীৎয়েং চঙলকপদগী অরোইবা পুংফমদা পার্টি অনী এল্লাইন্স শেম্বগী ৱাফম য়ানখিবনি।

অমরোমদা, মেনিফেষ্টো ফোঙবগী থৌরমদা অখিলেশ যাদবনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা সমাজৱাদি পার্টিনা মীখলদা মায় পাকপা থোক্লবদি য়ু পিদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎকনি। মরুওইনা মীয়ামদা লেপ্তোপ য়েন্থোকপা, কন্য বিদ্যা ধন, সমাজৱাদি পেন্সন, পুর্ব্বঞ্চল এক্সপ্রেস ৱে শেম্বা অমদি জানেশ্বর মিশ্রা মোদেল ভিলেজ শেম্বগা লোয়ননা পুলিস অমদি নুপীগী হেল্প লাইন ফীভম ফগৎহনবনচিংবা ৱাফম কয়া মেনিফেষ্টোদা য়াওরম্মী।

প্রধান মন্ত্রি কিষান বিমা যোজনাগা মান্নবা মওংদা লৌমীশিংনা অহোংবা মমলদা হার অমদি মনা-মশিং থানবগী মরূ লৈবগী থৌশিল য়াওবা সমাজৱাদি কিষান কোসকী মতাংদা অখিলেশনা ৱা ঙাঙখি।

টৈংঘাঙ্লোং/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3587/03/01-02/02